# হুইয়েন লানপাউগী ...

*লামায় ১গী মখা...* লোয়শঙনা শীন্দুনা নুমিৎ ১০নি চখ্খগদবা শচিপু ঈনাৎ ঙাইখংগী ১৭শুবা কুম্মৈগী মনুং চন্না ঙসি নোংপোক চীংঙু থোঙ মৈতৈ লাইকোল, থলো সিপি লোক (সেলোই লংমাই চীং) দা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এৱার্দ অসি খূৎশিন্নরকখিবগা লোয়ননা চখ্খরক্লিবা ১৭শুবা শচিপু ঈনাৎ ঙাইখং কুম্মৈগী মনুং চন্না শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

লাই ওইবা পন্থৌগী পাউজেলগা লোয়ননা হৌদোকখিবা থৌরমদা পন্থৌনা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না ঐবু লাই ওইনা লৌজবনি। অদুবু ঐদি লাই নৎচদে, লাইনীংজবা অমনি হায়খি।

মৈতৈগী লাইনীং ঈনাৎকী মতিকময়াইশিংগী পাউজেল পীজবনি। মসিদসু নত্তনা হৈ-লৈ, উহৈ-ৱাহৈ কয়াগসু লাইনীং ঈনাৎকা শাগোন্নদুনা চৎচবনি। মৈতৈগী ফিজেৎ চাকচা কয়াবু শাগোন্নদুনা য়োকচবনি। ইরমদমসিগী ওইনা লৈজরক্লবা হৈপাল-লৈপাল, উহৈ-ৱাহৈ য়াওনা লৈবাক্লা শাবা কম্বি ফাওবা ওইরবসু মৈতৈগীনি হায়দুনা লৈজরক্লবা পোৎলমশিংবু লাইনীং ঈনাৎকা শাগোন্নদুনা শিনলোন শিন্থাশিংবুসু য়োকখৎচবনি হায়খি।

লাই ওইবা পন্থৌবু মীনি অমসুং লাইনীংলোইনি হায়রগসু মীয়ামগা মান্নদবা লৈবা মরম্না এপ্রিল ১৩, ২০০৬কী শচিপু থানিল নুমিৎতা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি ফম্নাইবশিংগা লোয়ননা মৈতৈ নিংথৌগী চৎনবী ঙাক্লা লাকখি। পন্থৌগী ওইরবসু চীংঙু লাইতাই ঙন্বা খোয়ুম লাইলুপ ঙাইখংবা ওই হায়দুনা মীংথোল পীবিরম্বসু লৈখি হায়রি।

মণিপুরগী নিংথৌগী মিংথোলবু মাঙহনফদবা ওইবদগী শচিপু ঈনাৎ কুম্মৈগা লোয়ননা নিংথৌনা পীরম্বা মিংথোল নীংশিংদুনা ঙসি ফাওবা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপনি। হৌজিক চখ্খরিবা ঈনাৎ লাইনীং কুম্মৈ হায়বসিসু মঙাং, লুৱাং, খুমনগী মতমদা লৈবাক মীয়ামগী থৌনি থৌরমসু লেপ্তুনা পাঙথোক্লি হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা শৈরেং শৈদিন্নখিবদা ধনমঞ্জুর য়ুনিভর্টিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন রাজমোহোননা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং ইমা লৈশেম ঈনাৎ লোয়শঙগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ চনুচেনবীনা থৌরম মপু ওইখি। থৌরমসিদা কে শান্তিবলা, সুবদনি ক্ষেত্রিময়ূম, কে ঐচ লন্দনবলা, সৌবাম সোবিতা, থাংজম ইবোপিশক, শগোলশেম লনচেনবা মীতৈ, সলাম তোম্বা, সরতচান্দ থিয়াম, মুতুম ওপেন্দ্রো, নেত্রজিৎ থৌদাম, রামেশ্বর শারুংবম, সনাজাওবা নারেংবম অমসুং শামুঙৌনচিংবা অইবশিংনা শৈরেং লাম্থোকখি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা প্রোফেসর রাজমোহোননা মশানা ইজবা শৈরেং কৌব্রুদা ফিরাল য়ুংলসি, খোংজোমদা তির্থ কৎলসি পাথোকখিবগা লোয়ননা ঙসিগী থৌরম অসি পুন্সিগী অহানবা নুংঙাইবা তাঙ্কক অমনি হায়খি। মণিপুর ইমাগী য়াম্না লেমজনীংঙাই ওইরবা অমসুং তুংগী লন্বীদা য়ুন্থুরেল খক্তা নত্তনা মমা, মচে ময়াম অমা শরুক য়াবসু উবা ফংজরে হায়খি।

মণিপুর ইমাগী লিন্থোইঙন্বী, শিজ লাই ওইবী শিংথানীংঙাই ওইরবী মমোমশিংনি হায়খি। মহাক মশামক কেমিষ্ট্রিগী মহৈরোয় ওইরবসু ইমা লৈবাকপু নুংশিজবা মীওইনি। মসিগা লোয়ননা ঐখোয়গী পুৱারী, চৎনলোনচৎ ঙাক্লক্তবা মতম কুইরে হায়না লৈরক্লবা মতমনি। মতমসিদা পন্থৌগী মৈতৈ লাইকোলদা লৈরম্বা লাইনীং ঈনাৎকী চৎনবীশিং অসিগীদমক চাউথোকচৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

# লোকআয়ুক্তদা ফাইল তৌবা কমপ্লেন্ট ...

*লামায় ১গী মখা...* লোকআয়ুক্তগী সেক্রেটরি, মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মহুৎ শিনবা চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (পাৱর), মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি সী এল) গী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং শীংজমৈ চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়দগী থিয়াম নিরোস (৪৮) না প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টশিংনি। অদুগা প্রোফোর্মা রেসপোন্দেন্টশিংনা এম এস পি সী এলগী জেনরেল মেনেজর (ফাইনান্স এন্দ একাউন্টস) লুসি হাওকিপ, রনেন্দ্র নান্দেবম, দি জি এম/সব ষ্টেসন দিভিজন নম্বর ৩ থোকচোম বিমোল, মতম অমদা লোকচাও সব ষ্টেসনগী এ ঈ ওইরম্বদগী হৌজিক্লা দি জি এম/ত্রান্সমিসন দিভিজন নম্বর ৩ ওইনা এনগেজ তৌরক্লিবা এ রাজেন্দ্র, হৌজিক্লা থবক্তগী পোথাখ্রবা সব ষ্টেসন, সব দিভিজন নম্বর ৩গী এ ঈ ৱাই চন্দ্রমনি, মেনেজর (ইলেক্ত্রিকেল) গুরুময়ুম তপনকুমার, সব দিভিজন - ১১ (টি দি-৩) গী মেনেজর লুনখোলাল লুফো, হৌজিক্লা থবক্তগী পোথারবা এস ও (ত্রান্সমিসন কন্সত্রক্সন দিভিজন নম্বর ১) ও য়াইস্কুল, হরয়ানাগী গুরগাওনদা লৈবা এম/এস শ্যামা পৱার (ইন্দিয়া) প্রাইভেট লিমিটেদকী জেনরেল মেনেজরনি।

দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ১৬১ ওফ ২০২২গী পিটিস্নর ওইরিবা টি ঐচ কামিনিমোহোন অমসুং এম বুধচন্দ্রনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মণিপুর লোকআয়ুক্তনা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ২ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা ফেব্রুৱারী ৭, ২০২২দা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু ইল্লিগেল ওইবা ওর্দরনি হায়বসিনি। কেস অদুগা মরী লৈননা রিট পিটিসন অসিদা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৫ (টি ঐচ নিরোস) না সেপ্টেম্বর ২৫, ২০২০দা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট অদু রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা মীওই অনীসি য়াওনা এম এস পি সী এলগী এমপ্লোয়ী ১২গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

লোয়ননা হায় কোর্টতা ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসন অসিনা ফোঙদোকপদা য়াওরিবা ৱাফমনা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৫না মণিপুর লোকআয়ুক্তদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখিবগী সেপ্টেম্বর ২৪, ২০২০গী এফিদেভিটতা মহাক্কী খূৎয়েক অদু মান্নবা শেমজি শাজিনবা খূৎয়েক ওইখি। অদুগা এফিদেভিট অদুমকসু ওথ কম্মিস্নর অমনা ভেরিফিকেসন অমসুং এটেষ্টেসন তৌখিবা এফিদেভিটনি হায়বসিনি।

রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৫না মণিপুর লোকআয়ুক্তদা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট অদুদা য়াওবা এফিদেভিটতা মহাক্কী খূৎয়েক অদু শেমজিন শাজিনবনি হায়বসি কমপ্লেন্ট কেস অদুগা মরী লৈনরিবা নবেম্বর ১৭, ২০১৮গী আর টি আই এপ্লিকেসন অমসুং জন্যুৱারী ১৫, ২০১৯গী আর টি আই কমপ্লেন্টদা য়াওরিবা খূৎয়েকশিং অদুগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা শেমজিন শাজিনবনি হায়বসি খঙবা ঙম্লকপনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোক্লি।

মরম অসিদগী মণিপুর লোকআয়ুক্তগী কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ২ ওফ ২০২০ অদুগী ৱায়েল চখ্খরিঙৈ চৈরক্তা খূৎয়েক অসিগী মতাংদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা প্রোসিদিংশিং লৌখৎপীনবা রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরশিংনা অইবা চেরোল অমসু পীশিনবা লৈখি। অদুবু চেরোল অদু ওক্টোবর ৪, ২০২০দা পীশিনখ্রবসু ঙসি ফাওবদা মদুগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতনা মণিপুর লোক লোকআয়ুক্তগী কষ্টদিদা অদুমক লৈরক্লি হায়রি।

মণিপুর লোকআয়ুক্তগী মায়কৈদগী ৱাকৎ অদুগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীরক্তবদগী পিটিস্নর অনীসিনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা মনিহার সরাংথেম এলিয়জ এস মনিহার অমসুং থিয়াম নিরোস কৌবা মীওই অনীগী মথক্তা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ২০৩ ওফ ২০২১সু ফাইল তৌখিবা লৈখি। লোয়ননা কেস অসিগী মতুংইন্না সী জে এমনা নবেম্বর ১০, ২০২১দা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না কোগনাইজেন্স লৌখি হায়রি।

মরম পুম্নমকশিং অসিনা হায় কোর্টনা অচুম্বা অশেংবশিং থিদোকপীরগা লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়জরকখিবনি।

চৈরকসিদা পিটিস্নর টি ঐচ কামিনিমোহোন অমসুং এম বুধচন্দ্রগী পিটিসন নম্বর ১৬১ ওফ ২০২২ য়াওনা মণিপুর লোকআয়ুক্তগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন মরিমক থা অসিগী ২২দা হায় কোর্টনা লৌখৎখ্রে। কোর্টনা মেট্তর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল এন ইবোতোম্বী, ঐচ এস পাওনম অমসুং ঐচ ঈশ্বরলালনা লেপখি অদুগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা মণিপুর লোকআয়ুক্তগী সেক্রেটরিগী মায়কৈদনা কাউন্সেল এম রারিনা লেপ্লগা ষ্টেট রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী ঐচ দেবেন্দ্রনা লেপখি।

কোর্টনা নাকল অনীমক্কী কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা অপূনবা পিটিসন ৪গা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর ৯৩ ওফ ২০২২গা মরী লৈননা কোর্ট অসিমক্লা থা অসিগী ১৮দা পীখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা মণিপুর লোকআয়ুক্তনা আপীল তৌরকখিবা ৱাফম রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মণিপুর লোকআয়ুক্তগী মায়োক্তা লাক্লিবা ৱাকৎশিং অসি সিঙ্গল বেঞ্চদগী খরা হেন্না চাওখৎপা বেঞ্চ অমনা খন্নফম থোকই নৎত্রগা থোক্তে হায়বগী ৱাফম চোঙথোরকখি। লোয়ননা মণিপুর লোকআয়ুক্তগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল এম রারিনা রিট পিটিসন ৪ অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস নম্বর ৯৩ ওফ ২০২২ রিজেক্ট তৌখিবা এপ্রিল ১৮, ২০২২গী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা আপীল অমসু ফাইল তৌরকপগা ইরোয়ননা আপীল অদুমকসু থা অসিগী ২৫দা খন্নগদবা লৈরিবনা অপূনবা পিটিসন ৪ মক্কী ওইবা ৱায়েল হয়েং নিংথৌকাবা (এপ্রিল ২৫, ২০২২) ফাওবা দিফর তৌবীনবা প্রেয়র তৌনরকখি। মরম অসিনা মণিপুর লোকআয়ুক্তগী মায়োক্তা ফাইল তৌনরক্লিবা রিট পিটিসন মরিমক অমসুং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা থা অসিগী ১৮দা মিসেলিনস কেস নম্বর ৯৩ ওফ ২০২২গী মতাংদা পীখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা লাকপা আপীল য়াওনা হয়েংমক লৌখৎতুনা খন্নগদৌরি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর লোকআয়ুক্তা এক্ট ২০১৪গী সেক্সন ৪৬কী মখাদা করিগুম্বা লোকআয়ুক্তদা ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট অমা অরানবা ওইরম্লবা অমসুং শেমজিন শাজিনবা ওইরম্লগদি মীওই অদুবু চহী অমা ফাওবগী ফাদোক পীবগা লোয়ননা লুপা লাখ ১গী শেনফমসু ফাইন ওইনা পীহনবা ঙম্বগী প্রোভিজনশিং য়াওরি হায়রি।

# ‘হিন্দি লোলগী ইস্যু মায় পাক্লোই,...

*লামায় ১গী মখা...* লায়না লৌবা ফুরুপ অমদি নত্তে হায়বসি খঙজিনসি। মসিমক অইবা পাচা মীতৈনা প্রুফ তৌখ্রবনি। মসিগী মতুংদা মণিপুরগী সাহিত্যগী লূপ লিংখৎতুনা ঐখোয়গী লোল চাওখৎনবা হোৎনরকখিবনি। থৌদাং লৌখিবশিংগী মনুংদা নিলবির শাস্ত্রীগী ‘খোংজোম লান’ খক্তা নত্তনা খোংজোম পর্ব্ব হায়বা আর্ট ফোর্ম অমসু লৈরিবনি।

ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংবু শকখঙদুনা সঙ্গিৎ নাটক এৱার্দ অমদি পদ্মশ্রী পীরক্লিবনি। খোংজোম পর্ব্ব শকপী ইবেনিবু ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা খোংজোম তির্থ হায়বা শৈরেংসু ইরমখিবনি। মহাক মফুরুপ্পু নুংশিবা মীওইশিংনি, ইকায়খুম্নফম থোকই হায়খি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট গার্জিয়ন ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এস সুমতিনা ইরমদম মণিপুরদা প্রোব্লেম কয়ানা য়োমদুনা লাকপগী মথক্তা নৌহৌননা অমুক হিন্দি লোলবু কম্পলসরি ওইগদবনি হায়রক্লিবা অসি ঐখোয় পুন্না খোঙফম অমদা লেপ্লগা থেংনগদবনি। লোল অমা তম্বদা করিসু অকায়বা লৈতে অদুবু ঐখোয়গী ইরোল ইয়েক অসি লৈঙাক্লা চাওখৎনবা ফিরেপ লৌবীদনা লৈরিবা অসিদি লাইবক থীবনি হায়খি।

ফেসোককী প্রসিদেন্ট রোমেস নিংথৌজানা ময়ায় তাংবল লৌদুনা খন্নবগী অয়ুক্কী সেসনদা ভেটরান জর্নেলিষ্ট লৈহাওথাবম সরতচন্দ্রনা মোদরেটর ওইখি।

# বোম পোকখায়হন্দুনা ...

*লামায় ১গী মখা...* পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, বোম পোখায়বদগী অমাং-অতা থোক্লবা এক্সকাভেটর (এ এস ০১ এম সী ৪৬৩১) অসিগী মপুনা ৱাইথৌ কৈথেলদা লৈবা এম অজিৎকুমার মৈতৈ (৪০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ইবোয়াই, মারুটি স্বিফ কার (এম এন ০৬ এল এ ২২৩৫) অদুনা লৈকায় অসিমক্তদগী হুইদ্রোম দিনেস (৩০), অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোচৌগীনি অমদি অতোপ্পা এক্সকাভেটর (এ এস ০১ এম সী ১৩৭৪) অদুগী মপুদি চপ-চানা খঙবা ঙমদ্রি।

বোম পোকখায়বা অদুদা এক্সকাভেটর অমদি মারুটি স্বিফ কার অদুগী বোদিগী শরুক খরা অমাং-অতা থোক্লে। থৌদোক থোকফম অদুদা থৌবাল পুলিসকী কাঙবুনা লাক্তুনা য়েঙশিনখ্রে। বোম অদু কনানা করিগীদমক পোখায়হল্লম্বনো হায়বা চপ-চানা খঙবা ঙমদ্রি।

# কোহিমাদা বিজিনেস তৌবা মণিপুরগী মাও...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোরক্লিবা মণিপুরগী ত্রান্সপোর্টর এসোসিএসন অসিগী মচিন চৎপা মীওই অসিদা ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কোহিমাদা বিজিনেস ইষ্টাব্লিসমেন্টশিং হাংদোক্তুনা লৈরক্লিবা মণিপুরগী ফুরুপ খরগী মীওইশিং অদু অয়াম্বনা চহী খরগী মমাঙদা মণিপুরদা এন এস সী এন - আই এমগী লুচিংবা টি ঐচ মুইভা চঙলক্কনি হায়দুনা তৌখিবা থৌরাংগী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখৎখিবা অকনবা অথিংবগী থবকশিং অদুনা মরম ওইরদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরম্বা মশা মশাগী প্লোটশিং য়োম্থোক্লরম্লগা নাগালেন্দদা চৎতুনা মফম অদুগী কেপিটেল টাউন ওইরিবা কোহিমাদা লল্লোন ইতিক্কী থবক তৌরকখিবা মীওইশিং ঙাক্তনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদদি কোহিমাগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরকখিবনি হায়বা মণিপুরগী মাও, মরাম অমসুং পাওমাই ফুরুপকী মীওইশিং মফম অদু থাদোক্তুনা লাক্লবা য়াওদ্রি। লোয়ননা মখোয়দা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহল্লকপগী পাউসু লৈত্রি।

অদুম ওইনমক সাপোনা অঙ্গামিশিংগী তোঙান তোঙানবা লূপশিং ওইরিবা সায়োনচিংবা য়াওনা জুকো ভেল্লিগী কেজোল্টসা এরিয়াদা মখোয়না শাগৎচখিবা গেষ্ট হাওস মণিপুরগী মায়কৈদগী শিদোকখিবনি। মরম অদুনা মফম অদু অঙ্গামিশিংগী কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না মখোয়গী ওইফম থোকই হায়দুনা ক্লেম তৌরকপগী মথক্তা শিদোকখ্রবা গেষ্ট হাওস অদু অমুক হন্না শাগৎকনি হায়দুনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু চঙশিল্লকপা লৈখি। অদুবু মখোয়বু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস ওফিসরশিংনা লুচিংবা পর্সনেলশিংনা মফম অদুদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থল্লিবা মফমনি হায়দুনা চঙহনখিদবগী থৌদোকসু লৈখিবনি।

মসিনা মরম ওইদুনা সাপো অমসুং সায়োনা ক্লেম তৌরিবা জুকো ভেল্লিগী শরুকশিং অদুগী মতাংদা অরোইবা শন্তাইনবা অমা ষ্টেট অনীগী মরক্তা লৈঙাক্কী থাক্তা পুরক্তগাদি অঙ্গামিশিংগী মাঙজিল থাবা লূপ অনীসিনা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপদি লৈরি।

# মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎ ১সুং এম এল এ রাজেনগী ...

*লামায় ১গী মখা...* বেঞ্চতা খন্ননবগীদমক বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৩দা লিষ্ট তৌখ্রে।

মিনিষ্টর ওইরবা থোঙাম বিশ্বাজিৎ অমসুং অতোপ্পা রেসপোন্দেন্ট অনীগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা সেরাম নেকেন (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস মঙ্গি, শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়দগীনি। পিটিসন অসিগী অতোপ্পা রেসপোন্দেন্টশিং অদুনা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা মীরেপ ওইখিবা শঙলাকপম প্রেসিওজিৎ (৩৭) অপোকপা এস দেববর্ত, খোংমন জোন ২ অমসুং পাঙথোকখ্রিবা ইলেক্সন অদুগী রিটর্নিং ওফিসর (আর ও) ওইখিবা ক্ষেত্রিগাও সী দি ব্লোককী ওফিসল অমনি।

পিটিসন অসিদা পিটিস্নরনা ৱাকৎলক্লিবনা মীখল অদুগী রিজল্টদা মায় পাক্লেহায়দুনা লাউথোকখিবা থোঙাম বিশ্বাজিৎনা মীরেপ ওইনবগীদমক পীশিনখিবা মহাক্কী নোমিনেসন পেপরগা লোয়নবা এফিদেভিটকী শরুক্তা অচুম্বা এফিদেভিট পীশিল্লকপা ঙমখিদে অমসুং মহাক্না মহাক্কী অচুম্বা মপূং ফাবা এদ্রেস (ফুল এদ্রেস) হাপখিদবগা লোয়ননা নোমিনেসন পেপরগা লোয়নরকখিবা এফিদেভিট (ফোর্ম নম্বর ২৬) কী কলম নম্বর ৫দা মহাক্কী মথক্তা পন্দুনা লৈবা ক্রিমিনেল/এফ আই আর কেস লোৎশিন্দুনা থল্লগা মেনশিল্লকখিদে হায়বসিনি। মরম অসিনা মহাক্কী পিটিসন অসি রিপ্রজেন্টেসন ওফ দি পিপল এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ৮০, ৮০-এ, ৮১ অমসুং ৮৪ অমদি সেক্সন ১০০ (১) (বি) (১) (৪) অমসুং সেক্সন ১০১গী মখাদা চেলেঞ্জ তৌরকপনি হায়রি।

লোয়ননা নোমিনেসন পেপরগা লোয়নবা এফিদেভিটশিংদা ওইখ্রিবা ফীভমশিং অসিনা মরম ওইরদুনা মহাকপু ৫- থোংজু এ সীগী রির্টর্ন কেন্দিদেটনি হায়দুনা আর ওনা লাউথোকখিবা মীখলগী রিজল্ট অদু চৎনহনবীগনু হায়বসিনি। মহাক্কী মহুত্তা পিটিস্নর ওইরিবা কোংগ্রেসকী সেরাম নেকেনবু এ সী অসিগী রির্টর্ন কেন্দিদেটনি হায়দুনা লাউথোকপীয়ু। অদুগা মীখল অদুদা ভোট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা অহুমশুবা মীরেপ ওইখিবা শঙলাকপম প্রেসিওজিৎপুদি মমাঙথক্তা তৌনখিদবনা মহাকপুদি এ সী অসিগী রির্টর্ন কেন্দিদেটনি হায়দুনা লাউথোকপীগনু অমসুং মিনিষ্টর ওইরবা থোঙাম বিশ্বাজিৎকী মথক্তা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ১২৫ -এ অমসুং ১২৭কী মখাদা লৌখৎফম থোকপা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংশিং লৌখৎপীয়ু হায়বসিনি। হয়েং হায় কোর্টনা ইলেক্সন পিটিসন অসি খন্ননবগীদমক কোজ লিষ্টতা হাপ্লিবা অসিগী মতুংইন্না করিগুম্বা লৌখৎতুনা খন্নরক্লগদি পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোতেন্দ্রোনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল মুর্টাজা অহম্মদ অমসুং এ জানিকনাথনা এসিষ্ট তৌগদৌরি। লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল অমসুং মরাইবক হয়েং খঙলবা য়ারি।

অমরোমদা, ১৭- লমশাং এ সীদা এন পি পিগী মীরেপ ওইখিবী পুখ্রম্বম শুমতিনা এ সী অসিদগী বি জে পিগী রির্টর্ন কেন্দিদেট ওইরে হায়দুনা লাউথোকখ্রবা এম এল এ সোরোকখাইবম রাজেনগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩ ওফ ২০২২ ওইনা লৌখৎখ্রে। লোয়ননা হয়েংমক পিটিসন অসিসু জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা খন্ননবা লৌখৎখিবা বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৫ (মোসন) দা লিষ্ট তৌখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি ফাইল তৌরকখিবা পিটিস্নর পি শুমতি লৈখিদ্রবা মিনিষ্টর ওইরম্বা ৱাংখৈময়ূম ব্রজ বিধুগী লোয়নবীনি। মহাক লমশাং এ সীগী লমদেং ময়ায় লৈকায়দগীনি। মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন অসিগী অপূনবা রেসপোন্দেন্ট ৪নি। মসিগী মনুংদা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১না বি জে পিগী এম এল এ ওইরবা সোরোকখাইবম রাজেননি। ইলেক্সন পিটিসন অসি কোজ লিষ্টতা লিষ্ট তৌবগী মতুংইন্না করিগুম্বা হয়েং বেঞ্চ অসিনা লৌখৎতুনা খন্নরক্লগদি পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা সবমিসন তৌগদৌরি। মরম অসিনা কেস অসিগী মরাইবকসু হয়েং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লেপ্লবা য়ারি।

# ‘নাইতোম তানা মীরক্তা’ ...

*লামায় ১গী মখা...* ন্যু দেল্লিগী হান্নগী দিরেক্টর রতন থিয়াম্না মরুওইবা মীওই ওইনা শরুক য়াখি অমদি লাইরিক অদু ফোর্মেল ওইনা ফোংলে হায়নসু মীয়াম মমাংদা মহাক্না লাউথোকখি।

লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা থিয়েটর আইকোন রতন থিয়াম্না ফোঙদোকখিবদা, শৈরেংনা মীওইবগী পুন্সিদা কদায়ফাওবা য়ৌনা ঈথিল পীবা ঙম্বগে হায়বসি কা হেন্না মীয়াম্না খঙনদে। মহাক মশাসু শৈরেংগী মরমদা কা হেন্না খঙবা মীওই অমদি ওইদে। অদুবু য়াম্না কুপথনা য়েংলুরগদি শৈরেংদা য়াওরিবা ৱাহৈ ৱাতাশিং অসি অচম্বা অমত্তা নত্তে। য়াম্না ৱাহন্থোক লৈনা অমদি অৱাংবা থাক্তা মীওইবগী পুন্সিদা অহোংবা পুহল্লকপা ঙমগদবা ৱাহৈ কয়া শিজিন্নরি। মসি য়াম্না তমজ নিঙাই ওই হায়খি।

# কে ৱাই কে এলগী ২৮শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকা মরী...

*লামায় ১গী মখা...*ফীভম অমা লাক্লে হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা হায়, লন্নাই মীওইশিংনা মরন্নাই ওইনা য়াওল থাদোক্তুনা চেনবগী থৌওং অসিদগী হেন্না ফত্তবা, য়াওলগী হেন্না মাঙজবা থৌওং অমদি তদ্দু লৈতাবা অঙ্গংবা অমসুং চাওখৎপা (পিছ এন্দ দিভেলপমেন্ট) পুরকপগী মীংদা লূপকী ওইনা য়েক্লবা লোইলম লৈঙাক্লা ৱারী শাবনি হায়রগা য়াওল ঈহৌ থাদোকপগী চৎনবী অমা লাকপা অসিনি। মসি য়াওল্লুপ থুপচনবা অমসুং য়াওল মূৎথৎপগী ৱাখল্লোন (লিক্কীদেসনিজম) নি। ঐখোয়গী ৱেসিয়া লমদম অসিগী নীংতম ঈহৌশিং অসিদা লোইলম লৈঙাকলোনগা ৱারী শানরগা লূপ ওইনা পুল্লপ পুল্লপ য়াওল তোকপগী চৎনবী অসি হৌখিবা চহী ৫০/৬০ অসিদা চখ্খরক্লি। ১৯৬৪দগী হৌনা ঙসি ফাওবদা য়েক্লবগা ৱারী শানবগী মীংদা য়াওল থাদোকপা হায়বসি ৱেসিয়া লমদম অসিগী য়াওল ঈহৌগী লায়েংবা ঙমদ্রিবা কুম পুরবা লায়না অমা ওইরি। ৱেসিয়া লমদমগী মপূং ওইরম্বা য়াওল্লুপ অয়াম্বনা য়েক্লবগা ৱারী শাবগী মীংদা য়াওল তোকপগী থৌদৌ তৌনখ্রে। কংলৈপাক্কী ওইনদি মপূং ওইবা য়াওল্লুপশিংনদি অরানবা লম্বী অসিদা চঙশিনবা উদ্রি হায়বা য়াই। অদুবু ঙসি কংলৈ য়াওলদা থোরকপা হান্না উখিদবা অনৌবা থৌওং অমদি য়াওল তোকপগী অমম্বা লম্বীদা চঙশিন্নবগীদমক য়াওল্লুপ্তগী মচেৎ তাবা কাঙলুপ শেম্নরকপা অসিনি। মখোয়না খুদোংচাবা অচৌ অচৌবা পীগনি হায়রগা মোইথেমনা য়াওল্লোইশিং খোল্লি; হান্না লন্নাই ওইনা য়েক্লবদা চঙজখ্রবা মীচেলশিং ফাওবা অমুক হন্না লূপ্তা য়াওহল্লক্লি; মসিগী মথক্তা সিম্পেথাইজরশিংবু গভর্ণমেন্টকী থবক পীগনি হায়জিল্লগা এক্টিভ মেম্বর ওইহনবগী থৌওংসু চখ্খরি হায়রি।

য়াওল তোক্লিংলবা মীওইশিং অসিনা লূপ লূপ ওইনা য়েক্লবদা চঙজরগা য়াওল থাদোকপগী থৌওং চখ্খরক্লিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি য়াওলদা য়েংবা ৱাখল মীৎয়েং লানবনি হায়রদুনা চেরোলসিনা হায়, মখোয়না খল্লিবা ৱাখল্লোনদি মীয়ামগী মতেং ফংদ্রে, য়েক্লবগীসু মপাঙ্গল য়াম্না কনখৎখ্রে, মরম অদুনা ঐখোয়গী য়াওল অসি মনীং হল্লকপনি, য়াওল অসি কৈদৌঙৈদা মায় পাক্লরোই, হৌজিক্তি য়াওল তোকপনা খ্বাইদগী চুম্বা খোঙথাংনি হায়বা ইচম চন্না য়াওলগী কুরাংবান য়েংলগা খনবা ৱাখল অদুনি। য়াওলবু মনুং হুৎনা য়েংদবদগী থোরকপা অরানবা ৱাখল্লোননি। ঐখোয়গী য়াওলগী ঙসিগী কায়থরক্লিবা ফীভম অসি মনীং মমাঙ ওন্থোকপা, হায়বদি পরৈ হনবা শুংয়া য়াররোইদবা থৌওং নত্তে। ঙসি মশীং য়াম্বা মীয়াম্না য়াওল ঈহৌদগী নাথৈরক্লিবা অমদি য়াওল্লোইশিংবু কি-তুক্চবা মীৎয়েংনা য়েংলক্লিবা অসিগী মরু ওইবা মরমশিং অদু ঐখোয়গী মীয়ামগী পোকপদা য়াওরক্লবা, লূ তোংদা পকখ্রবা মতিং অমা নত্তে; নাকল অমদা লোইলম লৈঙাক্কী মপাঙ্গল কা হেন্না কনখৎলকপা অসিসু অচৌবা মরম নত্তে। ফত্তবা ফীভম অসিগী মরম কয়ামরুম লৈগনি। মরু ওইবা মরম খরা লৌখৎচবা তারবদি, চে গুইভারানা হায়বীরম্বা অশেংবা য়াওল্লোইদি লম্ন্থোইরবা মীওইগী লিচৎ চৎকদবনি হায়বদু হৌখিবা চহী ৩০/৪০ অসিদা য়াওল্লোই লুচিংবা অয়াম্বনা চৎপা ঙমখিদবা, য়াওল্লুপশিংনা য়াওলগী থবক চখ্খবদা মতম মতমগী অরুবা ফীভম লাকপদা ঙন্না ঙন্নবা হোৎনবদা য়াওল্লোন কায়বা (empiricization) থৌদৌ কয়া মরোল মরোল তৌরকখিবা, মীয়াম্বু য়াওল্লুপনা চিংবগী মওং লানখিবা, য়াওল্লোইশিংগা মীয়ামগা লৈনবা মরী শাগৎপদা শোয়খিবা অমসুং লুচিংবশিংনা অনৌবা লূপলোইশিং শেম্বা অমদি তম্বীবগী কাঙলোন লানখিবা অসিনচিংবা ময়াম অসি ওইগনি। ঐখোয়গী য়াওল্লুপশিংগী পান্দম চুম্লবসু থৌদৌনা পুরকপা অশেংবা মহয়দি মীয়াম্বু মপাঙ্গল কনখৎহনবা (ইম্পৱর তৌবা) গী মহুত্তা মপাঙ্গল শোন্থহন্দুনা (দিসইম্পৱর তৌদুনা) লোইলম লৈঙাক্লা ঐখোয়গী খুন্নাইবু শোন্থহন্নবা হোৎনবা অদুদা মতেং পাংবগুম থোকখ্রে। য়াওল্লুপশিংনা মশা মশাগী লূপকী পাঙ্গল শাগৎনবা হোৎনবগী থবক্তা কা হেন্না পূক্লিং চঙনখিদবগী মীয়াম্বু মপাঙ্গল কনখৎহনবগী মহুত্তা মীয়াম্বু খুদুম চন্নবা হোৎনবগী থবক্লা হেন্না তৌনখ্রে; মীয়াম্বু য়াচল লাকপগী পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা মীয়ামগী লূপশিং মচোই মচোই তাহনখি, খুন্নাইগী চৎনবী পরম কয়া থুগাইখি; মসিগী মহয় ওইনা খুন্নাইগী অপূনবা শক্তম কায়থখি; মখা তাবদা খুন্নাইগী মহৌশাদগী লৈজরকপা থকসি-খাসি উচল থুগাইবদা ঈনোৎ পীখি। মীয়াম্বু হীরম খুদিংমক্তা মশানা মশাবু মতেং পাংজবা তম্বীরগা মীয়ামগী অপূনবা অমসুং শেন্মীৎলোনগী পাঙ্গল শাগৎপগী মহুত্তা লোইলম লৈঙাক্কী লাঙলৌ অমদি থৌরাং থৌশিলগা চপ মান্নবা য়াওল্লুপশিংদা অমদি লোইলম লৈঙাক্কী লুচিংবশিংদা তাংজবগী ঈনাৎ অমা তম্বীবদা মতেং পাংখি। ঙসি ঐখোয়গী মীয়াম্না নিবদা ইকায়নরক্লিবা, য়াওশঙদা ফি মুনববু শেন্দান লম্বী অমা ওন্থোরক্লিবা, এম এল এ/মিনিষ্টরদা শেল নিবা লাকপদা পৌ নম্নরিবা- ইকায়নীংঙাই ওইরবা চৎনবী পূম্নমক অসি পুরকপদা লালহৌলূপশিংগী থৌদাং চাউনা য়াওরিবনি। মীয়াম্বু হেন্না নীংতম্বা লীচৎ তম্বীবগী মহুত্তা হেন্না হেন্না মীখা থাবা, হেন্না লোই মচা ওইবা তম্বীখিবা অসিদা ঐখোয় লালহৌলূপশিংগী ঈথিল য়াম্না য়াওরি। খুন্নাইদা করপসনগী মসা মরেং ফন্দোরকপা অমসুং অরানবা তৌবগী লীচৎ মরা লূনা তারকপদসু লালহৌলূপশিংনা ঈনোৎ য়াম্না হাপখি। লূপকী শৌগৎপা মীওইশিংবু মতেং পাংলিবনি, লোয়ননা মীয়াম মরক্তা লূপকী য়ূম্ফম শাগৎলিবনি খন্দুনা অরানবা তৌবা, শেঞ্জা-থুমজা তৌবা, হায়বদি করপসন তৌবদা ঐখোয় লালহৌলূপশিংনা শৌগৎখিদে হায়বা য়ারোই। ৱায়েনবগী মীংদসু অরানবা কয়া তৌখি; কৈনৌ ৱায়েল কয়া তৌনখি; খুন্নাইদা ৱায়েল চুম্বগী লীচৎ মফম তাহল্লকপদা লালহৌলূপ অমদি মখোয়গা শম্নবা মীওইশিংনা য়াম্না চাউনা মতেং পাংখি হায়রি।

মীয়ামদগী পারা তম্বা, তম্লবা পারা অদু হেন্না মওং তাহনবা শেমদোক শাদোক্লগা মীয়ামদা অমুক তম্বীবা হায়বা লমজিংলোনগী কাঙলোন শীজিন্নরগা মীয়ামগা য়াওল্লোইগা হকচাং অমগী কয়াৎ অনীগুম্না তৎন-থানবা য়াদবা মরী শাগৎপা হায়বা কাঙলোন অদু মপূং ফানা তৌখিদ্রি। মীয়াম্বু নমজা নমথেক্লবগী থবক্তি মশীং থিঙমদনা তৌখ্রে। য়াওল্লোইশিংনা মীয়ামগী ফীদম ওইগদবনি হায়বা কাঙলোন অদুসু থবক ওইনা মপূং ফানা পাঙথোক্তি হায়রি।

অনৌবা লূপলোই লৌবা অমদি মখোয়বু অশেংবা য়াওল্লোই ওইনবা শেম্বগী থবকসু কাঙলোন চুমদ্রি। লূপ মনুংদা লূপকী থকসি খাসি কায়বা, লূপকী শাগৎলোন্দা উচল চেক্তবা অমসুং লূপ মচেৎ তাবা ওইনা থোক্লিবা অসিগী য়াম্না চাউবা মরম অমদি অনৌবা লূপলোই শেম্বগী কাঙলোন লানবা অসিনি হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, পঞ্জরিবা অশোয়বা অরানবশিং অসি নত্তবা অরানবা কয়া অমসু লৈরিবনি। লূপকী লূপসারোন অমদি উচলদসু অশোয়বা য়াম্না লৈরি। অশোয়বা পুম্নমক অসি থিদোক্লগা, মখোয়বু চুমথোক্লগা অনৌবা অচুম্বা কাঙলোনদা য়াওল ঈহৌ অমসুং অনৌবা মখলগী য়াওল্লুপ (এ ন্যু টাইপ ওফ পার্টি) শাগৎকদবনি হায়বরোমদা খন্থবা শুংতৌ তৌদনা য়াওল মনীং হল্লবদি য়াওল থাদোক্লগা য়েক্লবদা হেক্তা চঙজগনি হায়বসি য়াওল্লোইগী লিচৎ নত্তে; মসিদি য়াওলগী মায়োক্তা লৈবা থৌদৌ অমনি। য়াওল্লোইশিংনা করিগুম্বা ফীভমদসু থৌদৌ অসি তৌরোইদবনি। য়াওল ঈহৌ অমদা লান্না চৎখ্রবা মায়ওন চুমথোকপদা (কোর্স করেক্সন) থেংমনবা লৈতে। চুম্না চঙশিল্লক্লবা য়াওল ঈহৌ অমা মায় পাক্তবসু লৈতে হায়রি।

য়াওল থুপচনবগী থৌদৌ অসি লমদম অসিগী য়েলহৌমী ফুরুপশিংগীদি য়াম্না খুদোং থীনীংঙাইনি। ঙসি য়েলহৌমী ঐখোয় পূম্নমক ফুরুপকী কাঙ্গুল মুৎপগী পন্থুং অমদা খোঙজেল য়াঙনা চেনশিল্লক্লি হায়বা য়াই। ফীভম অসিদগী মীয়াম্বু কন্নবা য়াওল ঈহৌ অমদি য়াওল্লুপ্পু হিংহনবা অমসুং কনখৎহনবা হায়বসি য়াওল্লোই অশেংবশিংগী লৈথোকপা য়াদ্রবা ইথৌদাংনি। ইথৌদাং অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা পুন্সি কয়া মাঙখিবা য়াই, মীরোল কয়া হৌখিবা য়াই। মালেমগী য়াওলগী পুৱারীদা নীংতম লালহৌ মায় পাকপদা মীরোল কয়া চঙখিবগী ৱারী য়াম্না লৈ। ফীভম ফবা মতমদা য়াওল্লুপ্তা চোঙশিন্দুনা য়াওবা, ফীভম খজিক ফৎলক্তবদা চোঙথোক্লগা য়েক্লবগী মীচং চঙদুনা য়াওলগী মায়োক্তা থবক তৌবা, য়াওল মাঙনবা হোৎনবা, য়াওল্লুপ মূৎথৎনবা হোৎনবা মীওই নৎত্রগা মী কাঙলূপ অদু য়াওল্লুপ নত্তে, য়াওল্লোই নত্তে হায়রি।

ঙসিগী ৱেসিয়াদা লৈরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় কংলৈচাশিংনা য়াওলগী খোঙফমদা নীংহন্নবা তৌদনা লেপকদবনি। অদুগা য়াওল অসিদা অনৌবা য়াওল অমা পুরক্লবা কন্না হোৎনগদবনি। লময়ানবা ইরাবতকী তুং ইনবা অয়াম্বনা ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাকলোনগা য়াশন্নখ্রবসু লুচিংবা মশানা য়েক্লবদা চঙজবা তৌদনা উমং-ৱামং, লোক-তাইদা পুন্সি লোমখিবা অদুনা ঈথিল পীদুনা মহাক্কী তুং ইনবা খুজোক অমখক্লা মহাক্লা লৈখিদ্রবা চহী ১২গী মতুংদা য়াওল্লুপ লিংখৎতুনা কংলৈ য়াওলগী ঙসি ফাওবা চেন্থরক্লিবা ঈচেল অসি পুথরকখিবনি। মহাক্কী ফীদম অদু ঙসিগী মীরোল ঐখোয়নসু তমফম থোকই হায়রি।

কংলৈপাক্তা য়াওলগী খোঙ্গুল মুখত্তনা থম্লগা অচুম্বা কাঙলোনদা য়াওল ঈহৌ অমদি য়াওলগী য়ূম্ফম শাগৎলক্লবদি অনৌবা য়াওল ঈহৌ অদুনা শন্দোকখিদুনা মতম খরগী মতুংদদি ৱেসিয়া লমদম পুম্নমক্তা লাম্নে চাকপগুম পাকথোকখিগনি হায়বসি নুং অমসুং পানগী ওইবা অশেংবা ফীভমগী অচুম্বনি। য়াওলবু নুংশিবা লূপলোই অমদি মীচম মীয়াম পূম্নমক্লা ৱাফম অসিগী ওইথোকপা য়াবা য়াদবা, ফবা ফত্তবা, অচুম চুমদা - পূম্নমক খন্নবীনবা কে ৱাই কে এলনা মীয়াম মাঙদা থমজরি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## অ ঈং-অশাগী পাউ

স্বাইদগী শাবা ৩৯.০৪°C
স্বাইদগী ঈংবা ১৪.২৭°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪১

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 82.586186 |
| US Dollar | 76.472354 |
| British Pound | 98.218467 |
| Australian Dollar | 55.381008 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.762253 |
| Japanese Yen | 0.594849 |
| Malaysian Ringgit | 17.679833 |
| Singapore Dollar | 55.774071 |
| South Korean Won | 0.061423 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.392628 |
| Thai Baht | 2.249673 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 5344.00 |
| Chennai | – | Rs | 5394.00 |
| Delhi | – | Rs | 5344.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5344.00 |

## GAS NEWS

**POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT :**
**BOOKING UP 25/03/2022**
Valid from 12/03/2022
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9362661205

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 28/03/2022
**BOOKING UPTO: 30/03/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY:
03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto 26/12/21
Valid from 22/12/21
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)


# PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)

**Regulated by Reserve Bank of India (RBI)**

And also specified as a Financial Institution by the Ministry of Finance, Department of Financial Services, Govt. of India under the Securitisation and Reconstruction of Financial Assets and Enforcement of Security Interest (SARFAESI) Act. 2002
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal – 795001, Manipur

**অনেম্বা শেন্দোয়দা অমসুং অরায়বা মওংদা ‘Loan’ পীজরি**

1) **REGULAR HOME LOAN** : Home Construction Loan, Home Extension Loan, Home Renovation Loan, Purchase of Plot/Flat/Apartment.
2) **SUBSIDISED HOME LOAN FOR RURAL AREA** : Home Construction Loan, Home Extension Loan, Home Renovation Loan, Purchase of Plot/Flat/Apartment.
3) **NON HOUSING LOAN** : Loan Against Property (LAP) for any purpose like Children Education Loan, Marriage Loan, Business Working Capital Loan.
4) **GOLD LOAN** : Gold Loan and Purchase of Gold.
5) **MICROFINANCE LOAN** : Loan Amount upto Rs. 3.50 Lakhs

ইরমদম মণিপুর খক্তংগীদা নত্তনা Whole Entire North Eastern Region of India গী ইহান হানবা ওইনা Reserve Bank of India (RBI) না regulate তৌবা অমসুং Ministry of Finance, Department of Financial Services, Govt. of India না ‘SARFAESI Act. 2002” গী মখাদা “Financial Institution” অমা ওইনা শক খঙখ্রবা First License Holder Public Limited Housing Finance Company অমা ওইখ্রবা ঐখোয় পুম্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা “PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)” অসিমক ঙসিদি ইরমদম অসিগী প্রজা সেক্সন খুদিংমক্না ময়েক শেংনা অসুক্কী মতিক মনুং হুঞ্জিন্না মশক খঙমিন্নবগী তঙাইমক ফদ্রবা মতম তাঞ্জা অদুমক ঙসিদি চপ চানা ওইরে। মসিগী থোইদোকপা মরমদি Scheduled Commercial or Nationalised Bank অমদা লৈরিবা লোনগী প্রদক্টশিং হায়বদি Housing Loan, Non – Housing Loan, Gold Loan, Microfinance Loan নচিংবা মথং মথং Reserve Bank of India না হাপচিনবিখ্রে।

অদোম ইশামক মরম মোকপা মীশক মীওই অমা ওইবিরবা, শেন্থোক লৈবা থবক অমা নৎত্রগা শিনফম অমা পায়রবা, অসুক্কী মতিক হৈনীংনা অমদি থৱায় হকচাং য়াওনা চাম্মদা চাম্মা হায়বদি ১০০% শেল শিংবা অমসুং লোন শিংবগী হৈনবী (Repayment Habit) লৈরবা, লোয়ননা financial discipline ফজনা maintain তৌবীবা ময়েক শেংবা credit history লৈবীবা অদুগুম্বা মখলগী ফিদমনীংঙাই ওইবা মীশক মীওই অমা ওইবীরবদি ঙসিমক লেঙশিনবীরকসি - অদোমগী “Financial Support” কীদমক অদোমগী “PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)” না মতম লৈবা খিবিক্তা অদোম্বু খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈজরি।

*Sd/- T. D. Singh*
**Assistant General Manager (Loans and Advances)**

HL-B/7621/24,25,26,27,28